# মহারাষ্ট্র রেবেল এম এল এশিংনা 'সিব সেনা বলাসাহেব' হায়না মিংথোনবা অনৌবা পার্টি অমা শেমখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ২৫ (এজেন্সি):
মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেগী মায়োক্তা ঈহৌ হৌরিবা ষ্টেট অসিগী রুলিং পার্টি সিব সেনাগী রেবেল এম এল এ ৩৩ না হান্না লৈজরিবা পার্টি অসিগী মমিং লৌরগা সিব সেনা বলাসাহেব হায়না মীংথোনবা অনৌবা পার্টি অমা শেম্লে হায়না ঙসি লাউথোকখ্রে।



হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী মহারাষ্ট্রগী রুলিং পার্টি ওইরিবা সিব সেনাগী এম এল এ ৩৩ অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ৭ য়াওনা পুন্না এম এল এ ৪০ অসামগী কেপিটেল সীটি গুৱাহাটিদা লাক্তুনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। একনাথ শিন্দেনা লুচিংবা রেবেল এম এল এশিং অসিনা ঙসি সিব সেনা বলাসাহেব হায়না মিংথোনবা অনৌবা পার্টি অমা শেম্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

অমরোমদা মহারাষ্ট্রা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অশোক চবননা ফোঙদোকখিবদা, স্পিকরগী অয়াবা ফংদ্রিবা ফাওবা নৌনা শেম্লে হায়রিবা পার্টি অসি চৎনবা য়ারোইদবা অমনি। রেবেল এম এল এ ৩৩ না থাঙ্গৎলকখিবা নো কনফিদেন্স মোসন অদুসু মহারাষ্ট্র এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকরনা রিজেক্ট তৌখ্রে। এম এল এ ৩৩ না খুৎয়েক পীবা নো কনফিদেন্স মোসনগী চেরোল অদু এম এল এ অমত্তনা স্পিকরগী ওফিসতা চৎলগা পীশিল্লুবা তৌখিদে। ঈ মেলগী খুত্থাংদা মখোয়গী ৱারোল অদু থাখিবনি হায়না এন দি টি ভিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

মরক অসিদা উধব থাক্রেগী টিমনা রেবেল এম এল এশিং দিসক্বালিফিকেসন তৌনবা প্লি তৌরকখিবা অদুগা মরী লৈননা এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকরনা রেবেল এম এল এ ১৬ কী মথক্তা নোটিস ইসু তৌখ্রে। নোটিস অসিগী মতুংইন্না মখোয়গী মথক্তা থাঙ্গৎলক্লিবা প্লি অদুগী পাউখুম পীনবা মশা লাক্তুনা নৎত্রগা মহাক্কী কাউন্সেল অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থারক্কদবনি হায়রি। নাকল অমরোমদা মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা সিব সেনাগী মশিং য়াল্লবা সপ্পোর্টরশিংনা রেবেল এম এল এশিংগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা রেবেল এম এল এশিং অদুবু লুচিংলিবা একনাথ শিন্দেগী মীতম মৈ থাখ্রে হায়রি।



সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা ইট রাইট মেলাগী থৌরম ৪৭-কারোং এ সীগী এম এল এ জে কুমো শানা হৌদোকখিবা

# জুলুক এক্সিদেন্টতা আর্মি পর্সনেল অনী শিরে

গেংতোক, জুন ২৫ (এজেন্সি) :
ইষ্ট সিক্কিমগী মনুং চন্না লৈবা জুলুকতা ঙসি থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা ইন্দিয়ন আর্মিগী পর্সনেল অনী শিখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম থোকখিবনি হায়না পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা আর্মি পর্সনেল অনী অদু নাথু লা বোর্দর তম্না লাকপদা মখোয়না তোংলকখিবা কার অদু কন্ত্রোল তৌবা ঙমদবদগী অকুৎপা মফম অমদা তাশিনখিবনি। থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবা আর্মি পর্সনেল অনী অদু য়াঙাং টাউনদগী লেন্স নাইক মনোজ ছেত্রি অমসুং মিরিকতগী সুবেদার সোম বহাদুর সুবানি হায়না কনফার্ম তৌখ্রে। মখোয় অনীমক কুপুপতা লৈবা সিক্কিম স্কাউটতা পোষ্টিং তাদুনা লৈবনি। অমরোমদা লান্মী অনীনা লৈখিদবা অদুদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর প্রেম সিংহ তমাংনা অৱাবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# মেঘালয়াদা লৈরিবা লাইমষ্টোন মাইনিংগী লাইসেন্স ভেরিফাই তৌনবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

শিল্লোং, জুন ২৫ (এজেন্সি) :
মেঘালয়া ষ্টেটকী ওইনা লৈরিবা লাইমষ্টোন মাইনিংগী থবক তৌরিবশিংগী লাইসেন্স ভেরিফাই তৌনবা হায় কোর্টনা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা খঙহনখ্রে হায়রি।

লাইমষ্টোন মাইনিংগী থবক তৌরিবশিংগী মনুংদগী খরনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মিনরেলশিং এক্সপোর্ট তৌরে হায়না কোর্টতা প্লি তৌরকখিবা ৱাফম অদুবু কোর্টনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খত্তুনা মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমা নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা সবমিট তৌরক্নবসু খঙহনখ্রে।



মেঘালয়াদা চহী কয়াগী মমাংদগী মাইনিংগা মরী লৈনবা অচৌবা ৱাথোকশিং তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। মরুওইনা কোল মাইনিংগী মতাংদসু ষ্টেট অসিদা ৱাথোক কয়া থোক্লি। মেঘালয়াদা লৈরিবা ইল্লিগেল ওইবা কোল মাইনশিং মশক খঙদোক্তুনা থিংজিন্নবা মমাং থাদা কোর্টনা গভর্নমেন্টতা খঙনখ্রবা মতুং কোল মাইন ৮ হেন্না গভর্নমেন্টনা থিংজিনখি। অদুবু থিংজিনখ্রবা কোল মাইনশিং অদুবু ঙাক শেন্নবা থল্লিবা সিকুঞরিটিশিংগা মান্নরগা হুরানবা খুৎপু অমনা মখা তানা মফম অদুদগী কোয়লা চিংথোকপগী থবক চথুরম্বা থেংনবা লৈখ্রে।

ষ্টেট অসিদা কোল মাইনিংগী ৱাথোক লোইদ্রিঙৈ মরক অসিদা লাইমষ্টোন মাইনিংগী অনৌবা ৱাথোক অমা অমুক লাকপনা মরম ওইরগা মাইনিংগী থবক থৌরমশিং অসিদা লৈঙাক্লা করিগুম্বা মখলগী মীৎয়েং অমত্তা চঙদ্রবরা হায়না মায়কৈ কয়াদগী ৱাহংশিং হংনরক্লি। মরী লৈনবা মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী হিরম অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুম ওইনমক মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানদি ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মাইনিংগী থবক তৌরিবশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সনশিং লৌখৎলগনি হায়ননা মমাংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

# মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ২,৩৬২ রোমগী ওইগদবা দ্রগশিং মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে



আইজোল, জুন ২৫ (এজেন্সি):
মিজোরাম পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফাগৎলকখিবা মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ২,৩৬২ গী ওইগদবা য়াল্লবা দ্রগশিং ষ্টেট অসিগী কোনুং আইজোলদা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

মিজোরামগী হোম মিনিষ্টর লালচমলিয়ানা অমদি দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস দেবেস চন্দ্রা স্রিভাষ্টবা য়াওনা মীয়াম মমাংদা মৈ থাদোকখ্রবা মশিং য়াল্লবা দ্রগশিং অদু হৌখিবা চহী খরা অসিদা অসাম রাইফল্স, মিজোরাম পুলিস অমদি অতোপ্পা ষ্টেট অসিগী এজেন্সিশিংনা ফাগৎলকখিবনি। মৈ থাদোকখ্রবা দ্রগশিং অদু পুন্না কিলোগ্রাম ৯৩৪ হেল্লি। মদুগী মনুংদা হেরোইন কিলোগ্রাম ১৮.২৪, য়াম্না থুনা লায়চুগনবা মেথামফেটামাইন টেব্লেট কিলোগ্রাম ৭৫৩.০৩, স্যুদোফেদ্রিন কিলোগ্রাম ৮৭ য়াওরি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মিজোরাম পুলিসকী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিংগী মাঙওইননা ফাগৎলকখ্রবা দ্রগশিং অদু মৈ থাদোকখিবনি। আইজোলগী ট্রিনিটি হোস্পিটালদা লৈবা পোৎ চৈ মৈ থাদুনা মাঙহন্নবা মেছিন শিজিন্নদুনা য়াল্লবা দ্রগশিং অদু মাঙহনখিবনি হায়রি।

অমরোমদা হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা ময়ায় কাবা দ্রগ থিংনবা মিজোরাম পুলিসনা হোৎনরিবা অসিদগী হেন্না কন্না হোৎনদুনা দ্রগ ফ্রি ষ্টেট অমা শোয়দনা ওইহন্নবা হোৎনগনি। চহী অসিগী হৌগৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা লুপা ক্রোর ১৭৩ রোমগী ওইগদবা দ্রগশিং ফাগৎপা ঙমখি। দ্রগশিং অসি লৈবাক অসিগা য়ুমথংনরিবা ম্যান্মারদগী পুশিল্লকখিবা ঙাক্তনি। মরুওইনা মিজোরাম অমসুং মণিপুরদা দ্রগ অসি ম্যান্মারদগী য়াম্না তোয়না পুশিল্লক্লি।

# নুমিৎ নীনীগী খোঙচৎতা য়ুনিয়ন এগ্রিকলচর মিনিষ্টর তোমার ঙসি নাগালেন্দদা থুংলরগনি

দিমাপুর, জুন ২৫ (এজেন্সি):
য়ুনিয়ন এগ্রিকলচর এন্দ ফামর্স ৱেলফ্যের মিনিষ্টর নরেন্দ্রা সিংহ তোমার নুমিৎ নীনীগী খোঙচত্তা হয়েং নাগলেন্দদা থুংলরগনি হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না, নরেন্দ্রা সিংহ তোমারনা হয়েং নাগালেন্দদা থুংলরবা মতুং অহানবা ওইনা মেদজিফেমাদা লৈবা সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ হোর্টিকলচরদা চৎকনি অমদি ইন্সটিট্যুট অসিগী কেম্পসতা পাঙথোক্কদবা ফার্মস এগজিবিসন কম ৱার্কশোপ মিনিষ্টর মশানা হৌদোক্কনি। মদুগী মতুং মিথুনদা লৈবা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ ওগ্রিকলচর রিছর্স-নেসনল রিছর্স সেন্টরদা ভিজিট তৌগনি। অমদি মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিবলপমেন্ট ফোর নোর্থ ইষ্টকী মীৎয়েং মখাদা মোলভোম ভিলেজদা শেমগৎলিবা কিহোমগী ফার্মদসু চৎকনি।

থা অসিগী ২৭ তনা য়ুনিয়িন মিনিষ্টর অসিনা সিক্স মাইলদা লৈবা নাগালেন্দ বেম্বু দিবলপমেন্ট এজেন্সি, নাগালেন্দ হনি এন্দ বি কিপ্পিং মিসনদসু চৎকনি। নুমিৎ অসিদা মহাক্না হনি লেবোরেটরি অমসু ইনোগুরেট তৌগনি। মদুগী মতুংদা ওর্গানিক এ সী মার্কেটতা চৎকনি অমদি এগ্রি এক্সপো সাইটতা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমদসু শরুক য়াগনি। অমরোমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর লাক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা নাগালেন্দ এগ্রিকলচর প্রদক্সন কম্মিস্নরনা লুচিংদুনা এগ্রি অমদি মসিগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওইবা মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

# লৈরায় লেপ্তুনা চাশিল্লক্লিবা মফমশিংদা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে

দিব্রুগর, জুন ২৫ (এজেন্সি):
দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টকী দি সী বিস্বজিৎ পেগুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা বোগিবিল চালখোৱা মীসিং গাউনদা হৌজিক হৌজিক মফম কয়াদা লৈবাক নীংখায়বা অমদি লৈরায় চাশিল্লকপগী থৌওংশিং পাক শন্না থোক্লিবা মফমশিংদা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

বোগিবিল চালখোৱা মীসিং গাউন অসি মোরান এ সীগী মনুং চনবনি। মফম অসিদা নীংখায়বগী থৌদোকশিং থোক্লিবা অসি মখা তানা থোকহন্দনবা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং অথুবা মতমদা পাখৎপা হৌরগনি। ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টকা হিরম অসিগী মতাংদা মাঙজৌননা খন্নবা লৈখ্রে। মরুওইনা ব্রহ্মপুত্রা তুরেলগা খুঙ্গং অসিগা হান্না লাপ্পরম্বা চাং অদু য়ৌনা লাক্ল রক্ত্রে। তুরেলগী লৈরায় নীংখায়বা অসি মতম চানা থিংহৌদ্রবদি খুঙ্গং অসি চহী খরগী মতুংদা ব্রহ্মপুত্রগী ইরোলনুংদা লুপখ্রগনি হায়রি।

# CROSSWORD-3568



## ACROSS

1 Far from fair (4)
3 Rhapsody in Blue composer (8)
9 Bounce back (7)
10 Lifeless (5)
11 Light meal (5)
12 Affair (anag) (6)
14 Kid (6)
16 Something to aim for (6)
19 Portray (6)
21 Tropical fruit (5)
24 Concise (5)
25 Take no part (7)
26 Able to read and write (8)
27 Neat (4)

## DOWN

1 Rebellion (8)
2 Seventh sign of the Zodiac (5)
4 Bear, tolerate (6)
5 Rigid (5)
6 Shedding tears (7)
7 After deductions (4)
8 Fastening for a belt (6)
13 Lawyer (8)
15 Foretell (7)
17 Nearly (6)
18 Finally (2,4)
20 Deduce (5)
22 Armed services canteen (5)
23 Cain's brother (4)

**Solution 3567**



SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3967

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 8 | | | | 2 | | | |
| | 4 | | | 9 | | 6 | | |
| | | 2 | | 3 | | 9 | | |
| | | 1 | 4 | | | | 6 | |
| 7 | | | | | | | | 1 |
| | 9 | | | | 6 | 8 | | |
| | | 6 | | 5 | | 3 | | |
| | | 7 | | 2 | | | 4 | |
| | | | 6 | | | | 7 | 9 |

## Solution-3966

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 1 | 3 | 5 | 8 | 2 | 9 | 6 | 7 |
| 8 | 7 | 6 | 4 | 1 | 9 | 5 | 3 | 2 |
| 9 | 2 | 5 | 3 | 6 | 7 | 4 | 8 | 1 |
| 6 | 4 | 1 | 9 | 5 | 3 | 2 | 7 | 8 |
| 7 | 3 | 2 | 6 | 4 | 8 | 1 | 9 | 5 |
| 5 | 9 | 8 | 2 | 7 | 1 | 6 | 4 | 3 |
| 2 | 8 | 9 | 1 | 3 | 4 | 7 | 5 | 6 |
| 3 | 6 | 4 | 7 | 2 | 5 | 8 | 1 | 9 |
| 1 | 5 | 7 | 8 | 9 | 6 | 3 | 2 | 4 |

# EMPLOYMENT NEWS

## TEZPUR UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR SRIMANTA SANKARADEVA CHAIR PROFESSOR

Tezpur University Srimanta Sankaradeva Chair Professor Recruitment 2022: Advertisement for the post of Srimanta Sankaradeva Chair Professor in Tezpur University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 18 July 2022. Candidates can check the latest Tezpur University Recruitment 2022 Srimanta Sankaradeva Chair Professor Vacancy 2022 details and apply online at the www.tezu.ernet.in/recruitment 2022 page.
Tezpur University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.tezu.ernet.in/. Tezpur University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at India. More details of www.tezu.ernet.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Tezpur University
invites applications for recruitment of Srimanta Sankaradeva Chair Professor
Srimanta Sankaradeva Chair Professor
Job Location:
Napaam, Sonitpur, 784028 Assam
Last Date: 18 July 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: Various Posts
Tezpur University
Tezpur University Recruitment 2022 Details
Company Tezpur University
Organization Tezpur University Recruitment 2022
Post Name Srimanta Sankaradeva Chair Professor
Total Vacancy Various Posts
Salary Not Disclosed
Job Location Sonitpur (Tezpur)
Last Date to Apply 18 Jul, 2022
Official Website tezu.ernet.in
Educational Qualification: School of Humanities and Social Sciences
Skills / Eligibility
Candidates who wish to apply for Tezpur University Recruitment 2022 should first check the qualifications. The educational qualification for Tezpur University Srimanta Sankaradeva Chair Professor Recruitment 2022 is N/A. Visit the official website for more details.
Pay Scale:
INR
Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Candidates will be shortlisted based on the given criteria.
How to Apply:
Step 1: Visit the official website tezu.ernet.in
Step 2: Click on Tezpur University Recruitment 2022 notification
Step 3: Read the instructions carefully and proceed further
Step 4: Apply or download the application form as per the information mentioned on the official notification
Important Dates:
Published on: 24 June 2022
Last date for application is: 18 July 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## NIT MEGHALAYA RECRUITMENT 2022 FOR PROJECT ASSOCIATE I

National Institute of Technology Meghalaya Project Associate I Recruitment 2022: Advertisement for the post of Project Associate I in National Institute of Technology Meghalaya. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 11 July 2022. Candidates can check the latest National Institute of Technology Meghalaya Recruitment 2022 Project Associate I Vacancy 2022 details and apply online at the nitmeghalaya.org/ recruitment 2022 page.
National Institute of Technology Meghalaya Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nitmeghalaya.org/. National Institute of Technology Meghalaya selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at . More details of nitmeghalaya.org/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
NIT Meghalaya
invites applications for recruitment of Project Associate I
Project Associate I
Job Location:
Bijni Complex, Laitumkhrah, Shillong, 793003 Meghalaya
Last Date: 11 July 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
NIT Meghalaya
NIT Meghalaya Recruitment 2022 Details
Company National Institute of Technology Meghalaya
Organization NIT Meghalaya Recruitment 2022
Post Name Project Associate I
Total Vacancy 1 Posts
Salary Rs.25,000 - Rs.31,000 Per Month
Job Location Shillong (Shilong)
Last Date to Apply 11 Jul, 2022
Official Website nitmeghalaya.in
Educational Qualification: B.Tech./M.Tech. in Electronics Engineering with specialization in Electronics / VLSI / MEMS and related areas, with a minimum of 60% marks.
Skills / Eligibility
Candidates who are interested in applying for NIT Meghalaya Recruitment 2022 must check the NIT Meghalaya official notification. Candidates applying for NIT Meghalaya Recruitment 2022 should have completed B.Tech/B.E, M.E/M.Tech.
Pay Scale:
INR Rs.25,000 - Rs.31,000 Per Month
Age Limit: Upper Age limit: 35 years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Candidates will be shortlisted based on the given criteria.
How to Apply:
If you are interested in applying for NIT Meghalaya Recruitment 2022, then apply before 11/07/2022. If you want to know the procedure to apply for the NIT Meghalaya Recruitment 2022, then follow the steps given below.
Step 1: First, you will need to visit the NIT Meghalaya official website nitmeghalaya.in
Step 2: Once you enter the website look out for the NIT Meghalaya Recruitment 2022 notification.
Step 3: Read all the details and criteria to proceed further with the application
Step 4: Now the candidate should fill in all the necessary details. Make sure that you do not miss out any section in the application.
Step 5: Apply or send the application form before the last date.
Important Dates:
Published on: 23 June 2022
Last date for application is: 11 July 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং :
য়াইতম্বা
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

